HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ




ইমা লৈশেম ইনাৎ লোয়শঙনা শীন্দুনা চথরক্লিবা ১৮শুবা শজিবু ইনাৎ ঙাইখঙ কুম্মৈগী ৬নি চনবদা পাঙথোকপা ৱায়েৎ ৱাফাংনবদা মকোক মথং তারবশিংদা পন্থৌনা মনা খূৎশিন্নবা

ইতিহাস অমদি ঐখোয়
☛ লামায় ২

সিলো শৌগ্রিগী কান্নবশিংসি পংহায় হায়জিনবা ওইরমদ্রে
লামায় ৪

‘মতিং লৈবা খুন্নাই অমা ওইহনসি’
☛ লামায় ৫

ৱাটর লো শেন্নগা রেগ্যুলেসন তৌরগনি : মিনিষ্টর সুশিন্দ্রো
☛ লামায় ৬

ন্যু দেল্লীগী প্রাইদ প্লাজা এরোসিটিদা পাঙথোকখিবা মিস ট্রান্স ক্বিন ইন্দিয়াদা ৪শুবা রন্নর্স-অপ য়াওনা সব টাইটল অনী ফংলকখ্রবী থোই লাইমুজমবু কোংগ্রেসকী মহিলা থৌমীশিংনা এয়রপোর্টতা তরাম্না ওকপা




Vol. 47, Issue No. 20 | য়ূমশকৈশা, শজিবু ২১/২২নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Wednesday, April 12, 2023, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00


# ইলেক্সন পিটিসন ২ ‘মেন্টেনেবল ওইদে’ হায়রকপা এম এল এ অরুনকুমারগী ৱাকৎ হায় কোর্টনা দিসমিস তৌখ্রে

## ৱাই ইরাবোত অমসুং ও হেনরিনা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসন অনীগী ৱায়েল চত্থরগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১১ (ঐচএনএস) :
ৱাংখৈ এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ থাংজম অরুনকুমার (৫৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা থাংজম বিরচন্দ্র, চীংমৈরোং মমাঙ লৈকায়দা লৈবা য়াওনা অতোপ্পা মীওই ২/২গী মথক্তা মীখলদা মহাক্না লম্বা তৌনখিবা ৱাই ইরাবোত অমসুং ওক্রম হেনরিনা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসন অনীবু এম এল এ অসিনা মরম চাদে অমসুং মেন্টেনেবল ওইদে হায়রদুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা খন্নবীফম থোক্তে হায়বা য়াওনা মহাক্কী মথক্তা ফাইল তৌরক্লিবা ইলেক্সন পিটিসন অনীসিদা চার্জ তৌরক্লিবা ৱাফমশিংগী মনুংদগী খরসু মরী লৈনদে, লৌথোকপীয়ু হায়জরকখিবা তোঙান তোঙানবা এম এল এগী ৱাকৎ তরুক কোর্ট অসিনা ৱায়েল চত্থরবা মতুংদা ঙসি পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দরশিংদা এম এল এগী ৱাকৎ পূন্নমক মরম চাদে হায়দুনা দিসমিস তৌখিবগা লোয়ননা মহাক্কী মথক্তা ফাইল তৌরক্লিবা ইলেক্সন পিটিসন অনীগী ৱায়েল চত্থনবা মতম লেপখ্রে।

এম এল এ অসি য়াওনা অতোপ্পা মীওই অনীগী পূন্না রেসপোন্দেন্ট অহুমগী মথক্তা ৱাই ইরাবোতনা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন অদুগী নম্বর ২৪ ওফ ২০২২নি। অদুগা ও হেনরিনা এম এল এ অসিগা অতোপ্পা মীওই অনীগগী মরক্তা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসননা নম্বর ১ ওফ ২০২২নি। অদুবু এম এল এ অসিগী মায়কৈদগী পিটিস্নরশিং ওইরিবা ৱাই ইরাবোত অমসুং ও হেনরি য়াওনা অতোপ্পা রেসপোন্দেন্ট ২/২গগী মথক্তা ইলেক্সন রিক্রিমিনেসন পিটিসন নম্বর ১ ওফ ২০২২ অমসুং ১৬ ওফ ২০২২ ফাইল তৌরকখিবনি।

ইলেক্সন রিক্রিমিনেসন পিটিসন অনীসিগী মথক্তা এম এল এ, টি ঐচ অরুনকুমারনা ৱাই ইরাবোত অমসুং অতোপ্পা মীওই অনী অমদি ও হেনরি অমসুং অতোপ্পা মীওই ২গী মথক্তা মখোয়না ফাইল তৌরক্লিবা ইলেক্সন পিটিসনশিং অসি মরম চাদে, মেন্টেনেবল ওইদে অমসুং হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা লৌখৎতুনা খন্নবীফম থোক্তে হায়বগী ৱাকৎ থাঙ্গৎলকখিবনি।

ৱাকৎ অসিখক্তা নত্তনা এম এল এগী মথক্তা ফাইল তৌরক্লিবা ইলেক্সন পিটিসন অনীসিগী মনুংদা মরী লৈনদবা অমসুং লৌথোকপা য়াবা ৱাফমশিংসু য়াওরে হায়রদুনা অসিগুম্বা ৱাফমশিং অসিবুসু লৌথোকপীয়ু হায়জরকখিবনি।

ও হেনরিনা ফাইল ...মখা লামায় ৩ কলম ৩

## এক্টিভ কেস ১০

ইম্ফাল, এপ্রিল ১১ (ঐচএনএস): ঙসি নুংথিলগী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী রিপোর্ট মতুংইন্না সেম্পল ১১৫ টেষ্ট তৌবদা কোভিদকী পোজিটিভ কেস অমত্তা থেংনখিদে। লোয়ননা মীওই অনী নাবা ফগৎলক্তুনা দিসচার্জ তৌখিবদগী হৌজিক মণিপুরগী ওইনা এক্টিভ কেস ১০ লৈরি হায়রি।

## ব্লদ দোনেসন কেম্প

ইম্ফাল, এপ্রিল ১১ (ঐচএনএস): ইন্দিয়ন দেন্টেল এসোসিএসন, মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চনা শীন্দুনা ঙসি রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ ট্রান্সফ্যুজন মেদিসিনদা ব্লদ দোনেসন কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি। কেম্প অসিদা ইন্দিয়ন দেন্টেল এসোসিএসন, মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী ওনরেরি সেক্রেটরি ডা. কোইজম সসিকুমারনা ঈ হায়বসিগী মথৌ তাবা মরমশিং লোইশ্বা নাইরোই হায়দুনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ঙসি পাঙথোক্লিবা ব্লদ দোনেসন কেম্প অসিগী পান্দমদি ঈগী মথৌ তাবা অনাবা অমসুং লায়রবা মীওইশিংদা মতেং পাংননবনি হায়খি। ঙসিগী কেম্প অসিদা এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর খাইদেম দেব, এদভাইজর ডা. টি নবচন্দ্র অমসুং রিমসকী ষ্টাফশিংনা শরুক য়াখি।

## য়ুঙাং অমসুং দ্রগ

ইম্ফাল, এপ্রিল ১১ (ঐচএনএস): ঙসি অয়ুক পুং ১১.৩০ রোম তারকপদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এদিসনেল এস পি (এল ও) না লুচিংবা টিম অমনা খুরাই লমলোংগী মফম অমদা লৈবা য়ুম অমদা রেদ চথবদা ম্যান্মার রোমদগী পুশিল্লকখিবা য়ুঙাং লিক্লি ৩৬৬৮ রোম ফারে হায়রি। অমরোমদা কক্চীং কম্মান্দোগী টিম অমনসু ঙসি সেরৌ লমখাইদা অচৎ অওকশিং চেক তৌবদা মীওই ২ হিরোইন গ্রাম ১৯৬কা কোন্ননা ফারে হায়রি। ফারবশিংদি চক্পীকারোংগী ন্যুৱায়াং খুলদগী দোঙেল ঙমখোম (৩৪) অমদি তেংনৌপলদগী লমজানেং (২১) নি হায়রি।

## থাবল চোংবগী অয়াবা

ইম্ফাল, এপ্রিল ১১ (ঐচএনএস): নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর য়াওনা দিষ্ট্রিক্ট খরগী দি সীশিংনা থাবল চোংবদা অয়াবা পীদবগী চেরোলশিং থোকখ্রবা মতুংদা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নরনা থোকখিবা ওর্দর অমদগী ঙসিদগীনা থা অসিগী ১৪দা পাঙথোক্কদৌরিবা চৈরাওবা নুমিৎ ফাওবদা মাঙজৌননা অয়াবা লৌরগা থাবল চোংবা য়াগনি হায়না খঙহনখ্রে হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা


**HL Poll**

Q : Leingakna Manipurgi yelhoumising ngakkani hairabadi NRC chatnahannaba thabak panthadana loukhatfam thoktabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes | No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

Q : War on Drugs Campaigngi cheirakta lamhenba Police Personel khara hanna warakhoubana achumba khongthang oigadouribra?

Yes 100% No 0%


## অস! লোইরেহে!

- জর্দাগী মমল হস্থহল্লু, ক্বা চাবা ঙম্লোইদৌরে।

- [illegible]



- য়ুগীসু মমল হস্থহল্লু, থকপা ঙম্লোইদৌরে।

- [illegible]

# মহারাজ নরসিংহবু অৱাংবা থাক্তা ইকায়খুম্নবা উৎখ্রে

# লৈমিন্নরিবা ফুরুপশিং অমত্তা ওইমিন্নগদবনি : বিরেন



ইম্ফাল, এপ্রিল ১১ (ঐচএনএস) : অদুঙৈ কুমজা ১৮১৯দগী অৱা (বর্মিজ) শিংগী মখূৎতা খুন্তাকখিবা মণিপুরবু চহী ৭ শুরকপা কুমজা ১৮২৬তা মণিপুরগী অথৌবশিংনা অৱাশিংবু তকথোক্তুনা অমুক হন্না নীংতম্বা হঞ্জিনহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা লৈখিদ্রবা মহারাজ নরসিংহগী কংলাদা লৈবা মঙলেনদা মহাক্কী ১৭৩শুবা লৈখিদবগী নুমিৎ পাঙথোক্লদুনা তোঙান তোঙানবা ফুরুপ কাঙলূপ কয়ানা লৈমিন্নরিবা মণিপুরদা অমত্তা ওইমিন্নগদবনি হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচর লোয়শঙগী মখাদা ষ্টেট আর্কিওলোজিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ঙসিগী থৌরমদা চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংদুনা কংলা মনুংদা লৈবা মহারাজ নরসিংহগী মঙলেনদা হে-লৈ কৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি।

মথৌনা ফবা নিংথৌ অসিগী মফমদা হৈ-লৈ কৎপা খক্তা নত্তনা কংলাগী নুংজেং পুখ্রিদা চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংদুনা হৈথা লৈথা পাঙথোকখি। অদুগা অহানবা মণিপুর রাইফলসকী কন্টিনজেন্ট অমনা গার্দ ওফ ওনর, গন সেল্যুট পীবগা লোয়ননা লাষ্ট পোষ্ট খোঙখি। থৌরমগী মনুং চন্না মহারাজ নরসিংহবু ইকায়খুম্নবা উৎলদুনা ঙসিগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা পুম্নমক্না মিনট ২ তুমিন্না লেপখি।

## দিজিগনেটেদ কেম্পতগী খূৎশু-খূৎলায় লৌখিবগী মতাংদা কম্মিটি অমনা থিজিনবা হৌরে

থৌরমগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদা মহারাজ নরসিংহ লৈখিদবগী কুমওন থৌরম অসি হৌজিক্তি লৈঙাক্কী ওফিসলশিং, মীয়াম অমসুং লূপ কয়ানা শরুক য়ারকপনা নোংম-নোংমগী চাওনা পাঙথোকপা ঙম্লক্লি। ঙসিগী মীরোলনা ঐখোয়গী ইমা লৈবাক্কী নীংতম্বা ঙাক্ল বগীদমক থৱায়না পোন্থা ওইখিবা থৌনা ফৱবা ইপা ইপুশিংবু নীংশিংগদবনি হায়রদুনা হৌজিক্কী মীরোল অসিনা ইপা ইপুশিংনা কথোক্লম্বশিং কাউথোকপগুম তৌরকপগা লোয়ননা নহা কয়া অমনা মোদর্ন মণিপুরগী মীংদা ময়াই কাবা দ্রগ অমসুং চিঞ্জাকশিংদা লাইচুদুনা লৈবা য়াওরক্লে হায়খি।

বর্মিজশিংবু মণিপুরদগী তকথোক্লবা হোৎনবদা মহারাজ নরসিংহ অমসুং হেরাচন্দ্রনা লৌখিবা থৌদাংশিংবু নীংশিংবগা লোয়ননা মখোয় অনীগী হোৎনজমন্দগী চহী তরেৎ খুন্তাকপা অদু কুমজা ১৮২৬তা ...মখা লামায় ৭ কলম ১

# মণিপুর লৈঙাক্কী স্কুল ফগৎহনসি মিসন উৎতা ঘী হৈজিনবা য়াওরে

## খোইরোম জুনিয়র হায় স্কুলদা শুপ্নতগী ওজা ১ খক্তমক লৈরম্লে, ঙারিয়ান মুসলিম প্রাইমারি স্কুলদনা অনেকপা ওজা ৩না মহৈরোয়শিং তম্বীরম্লে





মণিপুর লৈঙাক্না ফেব্রুৱারী ১২, ২০২০দা ‘স্কুল ফগৎহনসি মিসন’ হৌদোকখিবগী থৌরম হৌরমদাই (ফাইল ফোটো)

ইম্ফাল, এপ্রিল ১১ (ঐচএনএস) : চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা বি জে পিগী অহানবা লৈঙাক্না লৈঙাক্কী স্কুলশিংগী ফীভম ফগৎহন্দুনা মহৈরোয়শিংদা ক্বালিটি এদ্যুকেসন পীনবগী পান্দমদা কুমজা ২০২০গী ফেব্রুৱারী ১২দা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ঙাইরাংবমদা লৈবা এস কে আইদিএল হায় স্কুলদা লৈঙাক্না নৌনা হৌদোকপা ‘স্কুল ফগৎহনসি মিসন’ হৌদোকখিবদগী ঙসি ফাওবা মিসন অসিগী মথৌ তাবা থবক থৌরমশিং লেপ্তুনা চত্থরক্লগসু স্কুল অনীদদি লৈঙাক্কী মিসন অসি উৎতা ঘী হৈজিনবগা চপ মান্ননা লৈরম্লে।

মিসন অসি লৈঙাক্না ঙসিদগীনা চহী ৩গী মমাঙদা হৌদোরকখ্রবসু মসিগী মরু ওইবা থৌবুনা স্কুল এদ্যুকেসন লোয়শঙ অমসুং সমাগ্রা শিক্ষা, মণিপুরনা মপূং ওইবা থৌবু ওইরকখিবনি। অদুম ওইনমক ৱাংখেম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চন্না খোইরোমদা লৈবা খোইরোম জুনিয়র হায় স্কুলদা ফেদরেল ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন, কংলৈপাক (ফেসোক) না সর্ভে চৎলুবদা জুনিয়র হায় স্কুল অসিদা শুপ্নতগী ওজা অমখক্তমক লৈরম্লে হায়রি।

ৱাফম অসি ফেসোক হেদ ওফিসকী পব্লিসিটি সেক্রেটরি জেহোচান্দ ইরেংবমনা ঙসি থোরকপা চেরোল অমনা হায়বনি।

স্কুল অসিদা শুপ্নতগী ওজা অমখক্তমক লৈরম্বনা মহৈরোয়সু শুপ্নতগী ৮ খক্তমক মিং চল্লকই হায়না ফোঙদোরক্লি। লোয়ননা মোংশাঙ্গৈ অপ্পর প্রাইমারি স্কুলগীনা মহৈরোয় ২২ লৈরগা ওজা ৬ লৈরমখি। অদুবু স্কুল অসি অসুক্কী মতিক ফিভম শোক্না লৈরম্বদা নত্তনা ক্লাস রুম অনীখক্তদা মহৈরোয়শিং পূন্না ক্লাস তৌমিন্নরম্মী। ক্লাস রুমশিং অসিসু নোংজু থাদা নোং য়ুবা অমদি ইলেক্ত্রিককী খুদোংচাবসু লৈতে হায়না স্কুল অসিগী হেদ মাষ্টর ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# চেক্কোন এরিয়াদা চর্চ ৩ তকখায়খ্রে, লম্লোংগৈদা য়ূম ২৯ শিদোকখ্রে



ন্যু চেক্কোন এরিয়াদা চর্চ ৩ থুগাইখিবা



লম্লোংগৈদা শাজিল্লম্বা য়ূমশিং থুদেক্তুনা তকখায়বা

ইম্ফাল, এপ্রিল ১১ (ঐচএনএস) : মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী তোঙান তোঙানবা মরী লৈনবা লোয়শঙশিংগী ওফিসলশিংনা পুলিস পর্সনেলশিংগা খূৎশম্নদুনা চথখিবা অচৌবা দ্রাইভ অমদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ন্যু চেক্কোন এরিয়াগী ট্রাইবেল কোলোনিদা লৈবা লৈঙাক্কী লমদা শাজিল্লম্বা তোঙান তোঙানবা চর্চ ৩ অমসুং মন্ত্রিপুখ্রিগী লম্লোংগৈ খুলদা লোগী ৱাংমদা শাজিল্লম্বা য়ূম ২৯ মথৌ তাবা মেছিনরিশিং শীজিন্নদুনা তকখায়দুনা শিদোকখ্রে।

ন্যু চেক্কোন্দা শিদোকখিবা তোঙান তোঙানবা চর্চশিং অদুদি ইভাঞ্জেলিকেল বেপটিস কনভেন্সন চর্চ, ইভাঞ্জেলিকেল লুথরেল চর্চ, মণিপুর অমসুং কেথলিক হোলি স্পিরিট চর্চনি হায়রি।

মফম অসিদা চর্চ ৩ মেছিনরি শীজিন্নদুনা তকখায়খিবগী মতাংদা হকথেংনহৌবা মীওইশিংনা ফোঙদোরকপদা চর্চ অহুমসিগী মনুংদা ইভাঞ্জেলিকেল বেপটিস কনভেন্সন চর্চ অসিদি কুমজা ১৯৭২দগী হৌরক্লগা কুমজা ১৯৭৪দা চর্চ ওইনা মপূং ফানা লৈরকখিবনি। অতোপ্পা চর্চ অনীসু চহী কয়াগী মমাঙদগী শাগৎতুনা খৃষ্টিয়ন লাইনীং চৎপশিংগী লাই খুরুমফম ওইনা শীজিন্নরকখিবনি। অদুবু শাংলবা মতম অসিদা চর্চশিং অসিগী অকোয়বদা লৈবা মীয়াম অমসুং লৈঙাক্কী মায়কৈদগী করিগুম্বা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকখিদ্রবা মতুং কুমজা ২০২০গী মার্চ থা অদুৱাইদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী চর্চ অহুম অসি গভর্ণমেন্ট লেন্দদা ইল্লিগেল ওইবা মওংদা শাজিনবনি হায়রদুনা লৌথোকখিনবা ...মখা লামায় ৭ কলম ১

# নাজিগা বি জে পিগা খেন্নবা লৈত্রে : কোংগ্রেস

ইম্ফাল, এপ্রিল ১১ (ঐচএনএস) : বি জে পিগী লৈঙাক অসিনা এন সী ঈ আর টিগী সিলেবসপু সেফ্রোনাইজ তৌনবা হোৎনরকপা অসি বি জে পিগী মনুংদা কুইনা চত্থরকপা ফেসিস লৈঙাক অমা লাক্লবগী পোরম য়াৎপনি হায়না এম পি সী সীগী ভাইস প্রসিদেন্ট হরেশ্বর গোশ্বামিনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল ইম্ফালগী কোংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না মখা তানা হায়, এন সী ঈ আর টি হায়বসি কুমজা ১৯৬১দা ওটোনোমস বোদি অমা ওইনা লিংখৎখিবনি। অদুবু হৌজিক্তি মসিবু সেফ্রোনাইজ তৌনবা হোৎনরকপদগী এন সী ঈ আর টি অসি ওটোনোমস ওইদ্রে। বি জে পিগী লৈঙাক অসিনা এস সী আর টিনা শেম্বা ক্লাস সিক্সতগী ট্রেলভ ফাওবগী হিষ্ট্রি, জিওগ্রাফি, সোসল সাইন্স অমদি মেথমেটিক্সনচিংবা ফাওবা য়াওনা সবজেক্ট খুদিংমক্কী সিলেবসশিং লোইনা শেমদোকখ্রে হায়খি।

খ্বাইদগী মরু ওইনা ক্লাস সিক্সকী সিলেবসকী চেপ্টর মঙাদা য়াওরিবা কিংস এন্দ ক্রোনিকলস য়াওনা দেমোক্রেটিক লৈঙাক্কী মরু ওইবা ইল্লিমেন্টশিং ওইরিবা নীংতম্লবা মতুংগী ইন্দিয়া অমসুং দেমোক্রেসি ইন দাইভর্সিটি, পোপ্যুলর ষ্ট্রগল অমসুং মুভমেন্টনচিংবশিংসু লৌথোকখ্রে। লোয়ননা হৌখিবা ১৬-১৭শুবা চহী চাগী ‘দি মুগল কোর্টস’ নচিংবশিংসু লৌথোকখ্রে হায়খি।

মরম অসিনা লৈবাকসিদা চৎনরিবা দেমোক্রেসি অসি করিনো হায়বদু অঙাংশিংদা খঙহনবদা খুদোংচাদবা মায়োক্ল রগনি। লোয়ননা লৈবাক অসি হান্না করম্না হৌরকপনো, করি ফীভমদা লৈরম্মী হায়বনচিংবশিংসু লৌথোক্লে হায়খি।

থৌওংশিং অসিনা তাকপদি সেক্যুলরিজমগী ৱাখল্লোন্দা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নরক্লিবা হিন্দু, মুসলিম অমসুং অতৈ ফুরুপশিংগী মরক্তগী শেৎতোক্লবা হৌরকপনি। থৌওং অসিমক লৈবাক অসিদা চৎনরক্লিবা সেক্যুলরিজম অমসুং দেমোক্রেটিক ভেল্যুগী মায়োক্তনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা বি জে পিনা পাম্বা লৈবাক অমা লৈহন্নবা হোৎনবদা পুৱারি শক্তমক শেমদোকপা য়াদবনা দেমোক্রেসিগী তোঙান তোঙানবা মরু ওইবা মচাকশিংগী মনুংদা য়াওরিবা দাইভর্সিটি, পোলিটিকেল অমদি দেমোক্রেসিগী চেলেঞ্জনচিংবশিংসু লৌথোরকপনি হায়খি। ...মখা লামায় ৭ কলম ৫

# ইলেক্সন পিটিসন ২গী মখা তাবা ৱায়েল চত্থরগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১১ (ঐচএনএস) : হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা চত্থরক্লিবা তোঙান তোঙানবা এম এল এ ২৯গী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা অপূনবা ইলেক্সন পিটিসন ৩৫গী মনুংদা য়াওরিবা ইলেক্সন পিটিসন অনীগী মখা তাবা ৱায়েল হয়েং কোর্ট অসিগী জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী বেঞ্চতা চত্থগদৌরি।

কেস অনী অসিগী মনুংদা অমনা এম এল এ থোঙাম শান্তি অমসুং অতোপ্পা মীওই অমগী মথক্তা মাইরেম্বম পৃথিবীরাজনা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ২ ওফ ২০২২নি। হয়েং কেস অসি কোর্টনা লিষ্ট তৌবদা পাঙথোকখ্রিবা মীখলদা লম্বা তৌনবা য়াওখিবা পুখ্রেম সরতচন্দ্রনা এম পৃথিবীরাজ অমসুং অতোপ্পা মীওই অনীগী মথক্তা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন রিক্রিমিনেসন পিটিসন অমসুং এম এল এ থোঙাম শান্তিনা এম পৃথিবীরাজ অমসুং অতোপ্পা মীওই অনীগী মথক্তা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন রিক্রিমিনেসন পিটিসনসু য়াওরি। অতোপ্পা ইলেক্সন পিটিসননা এম এল এ ইরেংবম নলিনি অমসুং অতোপ্পা মীওই মঙাগী মথক্তা লাইশ্রম রাধাকিশোরনা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ২১ ওফ ২০২২নি।

মেট্টর অসিগা লোয়ননা পিটিস্নর অসিনা ফাইল তৌরকপা মিসেলিনস কেস (ইলেক্সন পিটিসন) নম্বর ২১ ওফ ২০২৩ য়াওনা এম এল এগী মায়কৈদগীসু এল রাধাকিশোর অমসুং অতোপ্পা মীওই মঙাগী মথক্তা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন রিক্রিমিনেসন পিটিসনসু য়াওরি।

# অথৌবশিংগী খুভমদা মীয়াম্না হৈকৎ-লৈকৎ তম্বীয়ু : আর পি এফ

ইম্ফাল, এপ্রিল ১১ : এপ্রিল ১৩, “অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎ” না লাকপদা ইরমদম ইমা লৈবাক মীয়ামগী নীংতম লাঞ্জংদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা য়াওলোই অথৌবা খুদিংমক্কী মফমদা রেভল্যুস্নরি পিপলস ফ্রন্ট (আর পি এফ) অমদি মসিগী লান্মী শঙলূপ পিপলস লিবরেসন আর্মি (পি এল এ) না কোক নোন্না ইকায়খুম্নবা উৎচরি। লোয়ননা লৈবাক মীয়ামগী নীংতম লাঞ্জং অসিদা তমথীরবা য়েক্ল বগী চৈথেং নংদুনা মপুন্সি চুপ্পগী শোইনাইরবা পুন্সিদা লেল্লিবা ইরৈচাশিং অমসুং মরুপলোই খুদিংমক্কী মফমদসু ইকায় খুম্নবা উৎচরি হায়না রেভল্যুস্নরি পিপলস ফ্রন্ট (আর পি এফ) কী দেপ্যুটি সেক্রেটরি, পব্লিসিটি রোবেন খুমনগী চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়, ইমা লৈবাক মণিপুরগী নীংতম্বা হঞ্জিন্নবা হোৎনবদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা থৌনা ফৱবা অথৌবশিংগী মীংলেনদি অরংবা (ব্রাইট) থৱান্মীচাক্লুম ঙান্দুনা লৈহৌরগনি। কোদোমপোকপীগী লানফম্না ইরমদম মণিপুরগী নীংতম লানগী মায়কৈ তাক্লি অমদি মতম পূন্বদা লানফম অসিবু তুংগী মীরোলনা ৱারিনহৌরগনি। লোইলম লৈঙাক অসিবু মণিপুরগী লৈমায়দগী মরূ ফক্তুনা লাক্তুনা লংথোক্ত্রিবা ফাওবা খোঙফম অমত্তা হন্দনা অরোইবা মীৎকুপ্তু ফাওবা অথৌবশিংনা য়াৎপীরম্বা লম্বীদুদা লাম্থেংনখিগনি। লাঞ্জং অসিগী পন্থুং য়ৌনবা য়েক্লবগা হেন্না কন্না মূকরকপদা মীওই কয়াগী পুন্সিসিসু লোমখিনি, লাঞ্জং অসিগী পোলোইদি ঈং-তপ্পা, তংদু লৈতাবা ইরোমদোম লেপচবা ঙম্বা পুরকপদুনি হায়রি।

হৌখ্রবা চহী ১৯৯০দগী মণিপুর মীয়াম হুপ্না লেপ্পা লৈতনা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা এপ্রিল ১৩ হায়রিবা থৌরম অসিদা লৈবাক মীয়াম হুপ্না ইশাগী অচিনবা ইথৌদাং কয়াদগী মীৎকুপ খরদং কাইথোকপীদুনা পুৱারীগী অচুম্বা লিক্লমদা লেপ্তুনা লৈবাক মীয়ামগী নীংতম লাঞ্জংদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবশিংগী খুভমদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বীয়ু হায়না আর পি এফকী মায়কৈদগী নোল্লুক্না পাউজেল পীরক্লি।

আর পি এফ অমসুং অতৈ য়াওল্লুপশিংনা চঙশিল্লক্লিবা নীংতম লাঞ্জং অসিদা কুমজা ১৯৭৮-৭৯দগী ঙসি ফাওবগী মতম অসিদা য়াওল্লোই অমসুং মীচম য়াওনা চাওরাক্না মীওই লিশীং কয়ানা লাঞ্জং অসিগা মরী লৈননা থৱায়না পোন্থা পীখ্রে, মীওই কয়া অমনা অশোক অপন নংখ্রে। মণিপুরগী নীংতম লানগী পুৱারীদা ইন্দো-মণিপুর আর্মদ কনফ্লিক্ট অসিদনা মণিপুর মচাশিংনা মীশি মীনা অয়ৌবী থাক্তা নংলি হায়রি।

ষ্টেট টেররিজমগী অচৌবা কাংখোঙনা তকখায়রকপদা নোংমা কাংদনা নংলিবা খূৎশেমগী মীশি মীনা অসিনা নোংমা নোংমগী লেপ্পা লৈতনা শিবা অমসুং শোকপগী মশীংসু হেনগৎলক্লি। মীওই কয়া হাৎপা, মীওই কয়ানা ওৎ-নৈবীবা, খরা অমনা ফারগা কৈশুমশঙদা থমজিনবগী থবক লেপ্পা লৈতনা চত্থরক্লি। মসিগী মথক্তা হিংনবগী শু-নোম্বা চৎপদসু অচৌবা অয়েৎপা, অকায়বা কয়া পীরি হায়রি। ...মখা লামায় ৯ কলম ১

# ফার্মাসিদা কারন তৌরুবা কম্মান্দো সস্পেন্দ তৌখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১১ (ঐচএনএস) : থা অসিগী ৮গী নুমিদাংদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী গেটকা মায়োক্লনা লৈবা ফার্মাসি অমদা নোংমৈ উৎতুনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক ওইনা শীজিন্নবা টেব্লেট অমা পীয়ু হায়রবদা লৈতে হায়দুনা পীদ্রবা মতুংদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক ওইনা শীজিন্নবা এস্কোরিল সিরপ অমা নমদুনা থল্লগা শেল পীরমখিদবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোগী পর্সনেল অদু সর্ভিসতগী সস্পেন্দ তৌখ্রে।

মসিগী মতাংদা অনীশুবা আই আর বিগী কম্মান্দেন্টনা ওর্দর অমা থোকখ্রে। ওর্দর অসিগী মতুংইন্না সস্পেন্দ তৌরবা আই আর বিগী রাইফলমেন অদুগী মমিং লুনজাঙম লুংদিং কৌই। মহাক অনীশুবা আই আর বিগী ‘এস পি’ কোয়গী পর্সনেলনি। হৌজিক্না থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোদা এটেচ তৌদুনা লৈরকখিবনি হায়রি। পনবা য়াবদি মহাক্কী মথক্তা থৌবাল পুলিসনা কেস অমসু রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখ্রবনি।

# আশাশিংগী কনভেন্সন পাঙথোক্তুনা খনগৎলবা ১২দা মনা য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১১ (ঐচএনএস) : দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ মিসন সোসইটি, ইম্ফাল ৱেষ্টনা শীন্দুনা ঙসি আশা কনভেন্সন ২০২২-২০২৩ পাঙথোকপগা লোয়ননা আশাগী থৌমী ১২দা মনাশিংসু য়েন্থোকখ্রে।

ইম্ফালগী জি এম হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অসিদা দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ মিসন সোসাইটিগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর টি ঐচ কিরনকুমারনা অথোইবা মীথুংলেন ওইরদুনা ফোঙদোকখিবদা আশা কনভেন্সন হায়বসি হৌরকপা কুইদ্রগসু য়াম্না মরু ওইবা থৌরমনি। আশাশিং পল্লকপদা কোভিদ-১৯গী পেন্দমিক মনুংদা মখোয়না লৌখিবা থৌদাংশিং নীংশিংদবা ঙমদে। মীয়াম্না মপান থোক্না চৎথোকপা ঙম্নদ্রবা মতমদা আশাশিংনা য়ুমথোঙ খুদিংগী থোঙ্গালদা হীদাক পীখিবশিং কাউবা য়াদে। হৌজিক আশাগী থৌমী ৩৫০ লৈবগী মনুংদা ১২ খনগৎলগা মনা পীরিবা অসিগুম্না মথংদসু খনগৎপদা য়াওননবা হোৎনবীয়ু হায়খি।

ওলিম্পিক গেমসতা লমজেল চেনবদা অহেনবদুনা থোইরিবনি। মনা পীবা হায়বসি মমল য়াম্না মন্তিক্লবা য়াদ্রগসু য়াম্না মরু ওইবা অমনি। মনা ফংবা হায়বসিদা য়াওরিবসি ইকায়খুম্নবসুনি। শেলগী হায়বা লৈতে, মনা ফংবদুনা মরু ওইবনি হায়খি। মরম অসিনা তুং কোইনা আশাশিংনা মীয়ামগী থৌগল হেন্না তৌরকপা ওইরসনু হায়খি।

থৌরমগী মপু ওইখিবা দিষ্ট্রিক্ট মিসন দিরেক্টর অমসুং চীফ মেদিকেল ওফিসর ডা. এল জয়কুমারনা হায়খিবদা ...মখা লামায় ৭ কলম ৭


ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫